CS (Main) Exam, 2015

**SDF–B–MNP**

# MANIPURI
## ( PAPER—II )
### ( LITERATURE )

Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250

**ৱাহংশিংগীদমক অখন্নবা ৱারোল**

**পাউখুম ইদ্রিঙৈদা মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি**

কাঙলূপ অনীমক (Section A and B) পূল্লগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর **1** অমসুং **5** তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাঙলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

য়েৎথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলা ময়েক্তা) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকক্লবা ৱাহৈ মশীং পীরম্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরম্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরম্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোন্নবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) হাংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।


# MANIPURI
## ( PAPER—II )
### ( LITERATURE )

Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250


**QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS**

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

## SECTION—A

1. মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

   *(a)* পাম্বোইবীনা মহাকপু খাবা মরান য়াইদা থাজবদা মতৌ করম্না য়াখিবগে ইরকউ।

   *(b)* করিগীদমক নাউথিংখোংবু নুংশি থৌকাওয়াঙবা, হায়খিবা ৱা ঙাক্তবা মীশক্তি হায়রিবনো ইয়ু।

   *(c)* 'নুমিৎ কাপ্পা' লাইরিকতা য়াওরিবা খ্বাইনোংজেংবম পীবাগী শক্তম অদু শনদোক্না ইরম্মু।

   *(d)* চন্দ্রকীর্ত্তিনা করিগীদমক জিলা চঙলিবনো? খোঙচৎসিদা লৈশং যাত্রানা করম্না মরুওইবা থৌদাং পাঙথোকখিবগে ইয়ু।

   *(e)* মৈদিংঙু থোংনাং ময়াম্বনা করিগীদমক সমসোক মপাল ফুক্না লান্দানবা ফিরেপ লৌরিবনো ইরকউ।

2. ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

   *(a)* নিংথৌ লৈত্রবদা ওইরক্লিবা অৱাবশিং অদুনা লৈবাক মীয়ামগী পাঙ্গল চৈশৌ ওইবা লৈঙাক মপু অমগী তংঙাইফদবা লৈ হায়বগী ঈঙ্গিৎ 'নুমিৎ কাপ্প'দা উবা ফংই, নৈনৌ। 20

   *(b)* "খোইমোম্ নোংদমখোনবু অমা তৈনা লৈতে। কুমার ফৃশাবনা মালেম লৈফু শাবগুম মতোম মতোম শমু মহকশাংবু শাজবনে।"

      ৱাফম অসি ধনঞ্জয় লাইবু নীংবগী পুন্সিগা কদায় ফাওবা চানবগে খুম্মু। 15

   *(c)* 'সমসোকঙম্বা' লাইরিকতা য়েকলিবা মৈতৈনিংথৌগী মতিক মগুণ, মরৌশিং অমদি অকল অথৌগী মশক অদু মচাতানা ইরম্মু। 15

3. ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

   *(a)* ৱাংঙম্লোন চীংখৈ থানবীনা ফংলিবা অহকপা চৈরাক অসি করম্না মরালগীনো? মহাকপু মরাল লৈতবী অমনি হায়না লৌবা য়াৱা মমূৎ তানা নৈনরকউ। 5+15=20

   *(b)* "ৱাংঙম ঐকিতমকপু করিকি কাওরেল অতিংঙাপু শলতিংপনো? তাইয়ম অরেমপাবু কতৌপা নাইতিংপনো?"

      ৱাফম অসি করিগীদমক হায়রিবনো? করিগীদমক ৱাংঙম্লোন অসিবু মনেম-মকৃনা তাথী তাওইনা তৌরিবনো ইয়ু। 5+10=15

   *(c)* দশরথ অমসুং জটায়ু অনীনা মরূপ ওইরকখিবগী থৌদোকশিংদু মরীক চুম্না লীরকউ। 15

4. ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

   *(a)* "নমোম ঐবু লাইরেন ইপারিবু শাৎনদরিয়ে। ইমোম তম্পা ৱাংঙমলোনবু ফুয়নদরিয়ে, শীংঙেল ইচু থাউ, লৈরাং ইৱাক চামদরিয়ে।"

      করম্বা মতাংদা কনানা হায়খিবনো? মতাংসি য়ৌরকখিবগী থৌদোকশিং মরীক চুম্না লীরকউ। 4+16=20

   *(b)* 'থৱাছাবা হিরান'দা অকন অথৌগী মশক উৎপদগী নুপানা লিংবা খুন্নাই (পেত্রিআকি)গী তমথীবা মচৎ উৎপনা হেল্লি, নৈনৌ। 15

   *(c)* মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিবু পোইরৈ মীয়াম্না মহারাজ 'ঈশ্বর' হায়না করিগীদমক কৌখ্রিবনো, মরী মখোঙ লীরকউ। 15

## SECTION—B

**5.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

(a) নীলকান্তগী 'লম্মাংনবা' শৈরেংদা য়াওরিবা—'করম্বা হিদেন' অমদি 'করম্বা লাই' হায়বসিদা শৈরেংবনা করি হায়নীংলিবগে পাউখুম পীয়ু। 10

(b) ''অসিগুম্বা মী অসি পূকচেল পীক্লবা অমসুং লৌনম চাউরবা সমাজগী মরক্তা অমুক হন্না উবা ফংগনি হায়না থাজখিদ্রে।''

মীশক অদু কনানো? মঙোন্দা করম্বা থোইদোকপা মগুণ চেনবগে ইয়ু। 2+8=10

(c) ''থোঙজিন মপান্দা খোংনাং মপাদুদা ফম্বা চম্প্রাসী অমদি চীংলোমদা ত্রান্সফর তৌখ্রমাল্লে।''

চম্প্রাসী অদুবু করিগীদমক ত্রান্সফর তৌখ্রিবনো, মসিদা অইবনা করি হায়নীংলিবগে ইরকউ। 10

(d) চোংথাম মণিহারনা লাইহরাওবগী মরুওইবা অমসুং মসিগী হৌরকপগী মরমদা করি হায়রিবগে, ইয়ু। 10

(e) 'কংসবধ' কাব্যদা কংসগী তালোই অস্তি অমসুং প্রাপ্তিগী লমচৎতা উবা ফংলিবা খেন্নবা মশক অদু তাকলকউ। 5+5=10

**6.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

(a) 'জর্জ্জ সাহেবগী ইমুং' দ্রামাদা অইবনা চাওখৎপা হায়বসিদা থমলিবা খেন্নবা মিৎয়েং অদু নশাগী লোন্দা মচাতানা ইরম্মু। 20

(b) ''মুৎথরক্লবা শাগৈগী মহাক মৌনি। মহাক য়াম্না ৱারৌহৌই।''

ৱাফম অসিদা অইবীনা করি হায়নীংলিবগে? মরীক চূম্বা খোঙচৎ অদুগী পাউদম পীরকউ। 5+10=15

(c) 'ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশীং নুংশীৎকী ফিভম'দা পাচাগী মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল মতৌ করম্না উৎপগে নৈনৌ। 15

**7.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

(a) 'জহেরা' উপন্যাসতা য়েকলিবা নুংশিবগী মশক অদুনশাগী লোন্দা শনদোক্লা ইরম্মু। 20

(b) লানগী মৈশা মৈনংলবী তমপাক্পী পুন্সিগী মশক 'ঐগী থাহৌদ্রবা হৈতৃপ লালু'দা অইবীনা করম্না য়েকপগে ইয়ু। 15

(c) মপাঙ্গোংগী শক্‌ফম অমসুং মমলদগী পুন্সিগী অশেংবা মমল লেপ্পা অমসুং অর্থ হনবা অচুম্বা নত্তে হায়বসি 'নির্জ্জনতা'দা উৎলি, কৃপ্পা নৈনরকউ। 15

8. ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

(a) ‘শামুখোঙগী বিচার’দা ফেরোইজাম্বনা করম্না মরুওইবা থৌদাং লৌখিবগে অমদি শিবা তারবা মরাল লৈরবশিং অদু মতৌ করম্না থৱায় হিংখিবগে ইয়ু। 20

(b) ‘‘পেট্রিওটিজম অমসুং নেসনেলিজম হায়বা ভাবশিং অসি অর্থ লৌবদা য়াম্না চেকশিনগদৌবনি।’’ সিনাম কৃষ্ণমোহনগী লান ৱারেংগী মীৎয়েং মতুংইন্না পেট্রিওটিজম অমসুং নেসনেলিজমগী অফ-ফত্তা মমৃৎ তানা নৈনৌ। 15

(c) ‘মেট্রিক পাস’তা জি. সি. তোংব্রানা সমাজগী করম্না চৎনবীবু মতৌ করম্না করেম্নদুনা উৎপগে নৈনৌ। 15

★★★